# গ্রেটর তিপ্রালেন্দগী মতাংদা খুৎয়েক পীনদ্রিবা ফাওবা অতোপ্পা পার্টি অমত্তগা পুন্না থবক তৌমিন্নরোই : প্রদ্যোৎ



অগরটালা, জানুৱারী ১৬ (এজেন্সি): মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রিপুরা এসেমব্লি মীখলগী মাওইননা হৌজিক ফাওবগী ওইনা তিপ্রা মোথানা অতোপ্পা পার্টি অমত্তগা পুন্না চৎমিন্ননবা ফিরেপ লৌবা লৈত্রি অমদি গ্রেটর তিপ্রালেন্দগী মতাংদা তাল্লিবা দিমান্দগা মরী লৈননা অঙীবা চেরোল ওইনা খুৎয়েক পীনদ্রিবা ফাওবা অতোপ্পা পার্টি অমত্তগা তিপ্রা মোথানা চৎমিন্নরোই হায়না পার্টি অসিগী চীফ প্রদ্যোৎ দেববর্মনা ঙসি ফোঙদোরল্লি।

খুমুলোংদা পাঙথোকখিবা ৱিমেন তিপ্রা ফেদরেসনগী থৌরম অমদা ৱা ঙাঙলদুনা তিপ্রা মোথাগী লুচিংবা অসিনা ফোঙদোকখিবদা, তিপ্রা মোথা লীংখৎখিবগী মরুওইবা পান্দমদি গ্রেটর তিপ্রালেন্দ ফংনবা হোৎনবনি। পার্টি অসিনা ঙসি ফাওবদা গ্রেটর তিপ্রালেন্দগী মতাংদা দিমান্দ তৌদুনা লাক্লি অমদি মখোয়গী দিমান্দদা অহোংবা অমত্তা লৈতে। ষ্টেট অসিদা পাঙথোকপা রেল্লি কয়াদা নুপীশিংনা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি অমদি শরুক য়াবগী চাংসু নুপীশিংনা হেল্লি। অদুবু মখোয়দা মনিং তম্না ৱা ঙাঙনবা খুদোংচাবা পীদনা লাক্লি। মসিগী ময়োক্তা তিপ্রা মোথানা লেপ্লি অমদি ষ্টেট অসিদা নুপাশিংনা ফংলিবা মনিং তম্বা অদুম্মক নুপীশিংদা ফংহন্নবা হোৎনগনি। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা লাইরবা নুপীশিং, মমা ওইবীশিং অমদি ইচে ইচল খুদিংমক্কী মহুৎ শিন্দুনা তিপ্রানা ৱা ঙাঙগনি অমদি মখোয়গী রাইটশিং মপুঙ ফানা ফংহন্নবা হোৎনগনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা মহাক্কী পার্টিনা ৱাখল্লোন মান্নবা অতোপ্পা পার্টিশিংগা চৎমিন্নবা পাম্মী অদুবু গ্রেটর তিপ্রালেন্দগী মতাংদা য়াশিন্নবা অমা পুরক্তুনা য়ান চে অমা খুৎয়েক পীনদ্রবদি অতোপ্পা পার্টিশিংগা পুন্না থবক তৌমন্নিবগী ৱাফম লৈতে। গ্রেটর তিপ্রালেন্দগী মতাংদা মহাক্কী পার্টিনা মখল অমত্তগী কমপ্রোমাইজ তৌরোই অমদি মসিদা অতোপ্পা পার্টিগী মতেং য়াওদ্রবসু মীখলদা লম্বা তৌনগনি। ঐখোয়গী কন্সটিট্যুসনেল রাইট ফংনবা হোৎনবা হায়বসি খুদিংমক্কী মথৌনি। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক মায়থিবা পীবা হায়বসি মহাক্কী অপাম্বনি হায়রি।



প্লান্নিং দিপার্টমেন্ট গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরনা শিন্দুনা ইম্ফাল হোটেলগী সঙাই হোলদা পাঙথোকখিবা নেসনল ষ্টার্ট অপ দেগী থৌরমদা শরুক য়াখিবশিং

## গাড়ি এক্সিদেন্টতা সী এ দি সীগী মেম্বর ২ য়াওনা পুন্না মীওই ৩ শিরে, ২ অশোক অপন নংখ্রে



আইজোল, জানুৱারী ১৬ (এজেন্সি): মিজোরামগী কোনুং আইজোলগী মনুং হঞ্জিনবা মফম অমদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা থোকখিবা লম্বীগী লাইবক থিবা থৌদোক অমদা চাকমা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (সী এ দি সী) গী মেম্বর অনী য়াওনা পুন্না মীওই ৩ শিখ্রে অদুগা অতোপ্পা ২ না অশোক অপন নংখ্রে হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না মীওই ৫ তোংদুনা লাকখিবা কার অসি মিজোরামগী লোংতলাই দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা চাকমা কাউন্সিল হেদক্কার্টরদগী আইজোল তম্না লাকখিবনি। আইজোল তম্না লাকপগী লম্বীদা মখোয়না থৌরকখিবা কার অদু কন্ট্রোল তৌবা ঙমহৌদবদগী লম্বীগী নাকলদা লৈবা অরুবা মফম অমদা তাশিনখিবনি। লম্বীদগী মিটর ৬০ রোম লুবা চীংগী নাপোমদা মখোয়না তোংলকখিবা গাড়ি অদু তাশিনখ্রবা মতুং মনাক নক্লা লৈরম্বা মীওইশিংনা খুদক্তা পুলিসতা পাউ পীখি অমদি মফম অদুদা চঙশিন্দুনা মী কন্নবা হোৎনখি। পুলিসকী টিম অমসু পাউ অদু হেক ফংবগা থৌদোক থোকফমদা চঙশিনখি। মখোয়না মফম অদু য়ৌরবা মতুং গাড়ি অদুগী মনাক্তা চঙশিনখিবা মতমদা মীওই ৩ দি হান্ননা শিদুনা লৈরমখি। অদুবু লাইবক ফবদগী অতোপ্পা অনীদি রেস্ক্যু তৌবা ঙমখি। পুলিসনা রেস্ক্যু তৌবা ঙমখ্রবা মীওই অনী অদুগী মনুংদা অমনা দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মেম্বরনি অদুগা অতোপ্পা অমদুনা ভিলেজ কাউন্সিলগী মেম্বরনি। মখোয় অনীমক মনাক নক্লা লৈবা হোস্পিটাল অমদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্ট চথখ্রে হায়রি।

অমরোমদা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিং অদুদি চরন সিংহ চাকমা (৩৮), মোহেস বোরান চাকমা (৪০) অমদি বনোসান্দ্রো তোনচাংয়া (৪৬) কৌই হায়বা খঙবা ঙমখ্রে। চরন অমসুং মোহেস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মেম্বরশিংনি অদুগা বনোসান্দ্রোনা ভিলেজ কাউন্সিলগী মেম্বরনি হায়রি।

## কেম্পেনদা শিজিন্নখিবা ট্রকশিংদা এটেক চথরকখিবগা মরী লৈননা কোংগ্রেসনা কমপ্লেন তৌখ্রে

অগরটালা, জানুৱারী ১৬ (এজেন্সি): ত্রিপুরাদা মথং থাদা পাঙথোক্লবা শেম শারিবা ষ্টেট এসেমব্লি মীখলগা মরী লৈননা ত্রিপুরা কোংগ্রেস প্রদেশ কম্মিটিনা শিজিন্নখিবা এল ঈ দি কেম্পেনিং ট্রকশিংদা বি জে পি ৱার্করশিংনা এটেক চথরকখিবগী থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মীওই ১১ গী মথক্তা পুলিস কমপ্লেন তৌখ্রে হায়রি।

ত্রিপুরা কোংগ্রেস প্রদেশ কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট বিরাজিৎ সিংহনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস অমিতাব রঞ্জন মশাদা হকথেংননা থৌদোক অসিগী মতাংদা পাউদমখ্রে অমদি থৌদোক অসিদা মরুওইনা চেন্নরিবা মীওই ১১ অথুবা মতমদা ফাদুনা লোগী ওইবা চৈরাক পীনবসু তকশিনখ্রে। ষ্টেট অসিদা রুলিং পার্টি ওইরিবা বি জে পিনা ওপোজিসনদা লৈরিবা পার্টিশিংগী ওইবা থবক থৌওং কয়াদা য়েখায় থিনগায়বগী থবকশিং য়াম্না তোয়না চথরি অমদি অকি অখঙ পোকহনবগী থৌওংশিংসু চথরি। হিরম অসিগী মতাংদা পুলিসতা এক্সন লৌখৎনবা খঙহনখ্রবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি এক্সন অমত্তা লৌখৎপা লৈত্রি। অমরোমদা এল ঈ দি কেম্পেনিং ট্রকশিং অদুদা বি জে পি ৱার্করশিংনা এটেক চথখিবা অদুদগী হেন্দোক্তুনা এল ঈ দিশিং অদুগী প্রোসেসরশিং, জেনরেটর মরি, সাউন্দ সিষ্টেম, এমপ্লিফায়র, কুকিং গ্যাস ষ্টোভ অমসুং সিলিন্দরশিংসু হুরান্দুনা পুখ্রে হায়রি।

## মৈ চাকপদগী লুপা লাক্ষ কয়াগী পোৎলমশিং মাঙহন তাকহনখ্রে

গুৱাহাটি, জানুৱারী ১৬ (এজেন্সি): অসামগী গুৱাহাটিদা ঙরাং নুমিদাং অশানবা কা থম্বা য়ুম অমা খঙহৌদনা মৈ চাক্লকপগী থৌদোক্তা লুপা লাক্ষ কয়াগী ওইগদবা পোৎলম কয়া অমাঙ অতা থোকহনখ্রে হায়না রিপোর্টশিংনা হায়রি।

রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাং গুৱাহাটিগী লোখ্রা এরিয়াদা থোকখিবনি। য়ুম অদু অরচানা তেরোংপি কৌবা মীওই অমগীনি। য়ুম অদু মৈ চাকপা হৌগৎলকপগা য়ুম অদুদা লৈবা গ্যাস সিলিন্দর অমা খঙহৌদনা পোকখায়রকপদগী য়ুম অদু মৈনা তুম্না চাকখ্রে। য়ুম অদুদা লৈরম্বা লুপা লাক্ষ কয়াগী ওইগদবা পোৎলম কয়াসু মৈনা তুম্না মৈ চাকখ্রে হায়রি। অমরোমদা মৈ অদু মতৌ করম্না চাল্লকখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। হিরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনবগী থবক চথবা হৌখ্রে হায়রি।

## ইলেক্সন ওফিসলশিংগা তুমিন্না উন্নখি

অগরটালা, জানুৱারী ১৬ (এজেন্সি): ত্রিপুরা ষ্টেট এমেসব্লি মীখলগী মতমদা নকশিল্লকপগা লোয়ননা পার্টি মশেলগী মরক্তা অশোয়বা থিনবগী চাংসু হেনগৎলক্লি। মরক অসিদা বি জে পি অমদি ষ্টেট ইলেক্সন ওফিসলশিং তুমিন্না উন্নখি হায়না কোগ্রেসনা মরাল শিরকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা য়েংশিন্নবা ত্রিপুরা সী পি আই-এমনা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসরদা অঙীবা চেরোল পীদুনা তকশিনখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা সী পি আই-এমগী ষ্টেট জেনরেল সেক্রেটরি জিতেন্দ্র চৌধুরিনা ফোঙদোকখিবদা, থা অসিগী ১৪ দা ষ্টেট এগ্রিকলচর মিনিষ্টর পরঞ্জিৎ সিংহ রোয় অমদি গোমতি দিষ্ট্রিক্টকী বি জে পি প্রসিদেন্ট অভিশেক দেব্রোইনা ইলেক্সন ওফিসল খরা কৌদুনা উদয়পুর সর্কুইট হাউসতা তুমিন্না উন্নখি। করি মরমগীদমক মিনিষ্টর অসিনা ইলেক্সন ওফিসলশিংগা তুমিন্না উন্নখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি খঙদ্রি হায়রি।

## কোংগ্রেসনা মেঘালয়াগী ইনকম লাকফম ওইরিবা কোল মাইনিংগী থবকশিং থিংজিল্লম্বনি

শিল্লোং, জানুৱারী ১৬ (এজেন্সি): মেঘালয়াদা কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা ষ্টেট অসিগী ওইবা চাওখৎ থৌরাংগী থবক অমত্তা পায়খৎলমদে। মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎনবা হোৎনবগী মহুত্তা ষ্টেট অসিগী মরুওইবা ইনকম লাকফম ওইরিবা অমদি মীওই কয়াগী পুকচাক থাল্লিবা কোল মাইনিংগী থবক থৌরমশিং থিংজিল্লমখিবনি হায়না মরাল শিরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মেঘালয়া এন পি পিগী প্রসিদেন্ট দব্লিয়ু আর খারলুখিনা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দা নেসনল গ্রিন ত্রিবুনেলনা ষ্টেট অসিদা কোল মাইনিংগী থবক তৌবদা অথিংবা থমখিবনি। হান্না চথরম্বা কোল মাইনিং অসিগী মওং মতৌ হোংদোক্তুনা সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা কোল মাইনিংগী থবক চথনবা খঙহল্লকখিবনি। অদুবু মতম অদুদা লৈরম্বা লৈঙাক্লা হিরম অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙদুনা থবক অমত্তা পায়খৎলমখিদবনা মরম ওইরগা মীওই কয়া থবক শুফম নোম্ফম খঙদনা লাকখি। অদুবু ষ্টেট অসিদা এন পি পিনা লুচিংবা লৈঙাক অমা লাকখ্রবা মতুং কন্না হোৎনবদগী হৌখিবা কুমজা ২০১৯ গী জুলাই থাদা হান্না থম্লম্বা অথিংবশিং অদু লৌথোকখিবনি। ষ্টেট অসিদা সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা কোল মাইনিংগী থবক অমুক হন্না চথনবা কন্না হোৎনরি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, কোল মাইনিং অসি ষ্টেট অসিগী ওইনদি অচৌবা ইনকম লাকফম অমা ওইরি। অদুবু মতম খরা কোল মাইনিংগী থবক্তা অথিংবা থমখিবা অদুনা মরম ওইরগা জাইন্তিয়া হিলস ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল অমসুং গারো হিলস ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী থবক থৌরমদা অকায়বা থোকহনখি। মরমদি হায়রিবা কাউন্সিল অনী অসিগী মরুওইবা রেভিন্যু লাকফম অসি কোল মাইনিংগী থবক থৌরমশিংদগীনি হায়রি।



## CROSSWORD-3761



**ACROSS**

1. Item of footwear(4)
3. Unripe(8)
9. Irritated(7)
10. Credit, prestige(5)
11. Custom(5)
12. Patron saint of Scotland(6)
14. Closer(6)
16. Former name of Iran(6)
19. Whitening chemical(6)
21. Tantalise(5)
24. Arbour(5)
25. Dishonourable(7)
26. Imperil(8)
27. Scottish dance(4)

**DOWN**

1. Hopeful(8)
2. Last Greek letter(5)
4. Noon(6)
5. Invited(5)
6. Disrobe(7)
7. Otherwise(4)
8. Sheep's coat of wool(6)
13. Goodbye(8)
15. Permitted(7)
17. Stretch out(6)
18. Three times(6)
20. Protective garment(5)
22. Saunter(5)
23. Proficient(4)

Solution 3760



SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-5059

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 8 | | | 6 | 3 | | |
| | 5 | | | | | 8 | | |
| 4 | | 3 | 7 | | 1 | | | |
| 8 | 6 | | | | | | | |
| | 2 | | | 4 | | | 7 | |
| | | | | | | | 4 | 6 |
| | | | 9 | | 5 | 4 | | 1 |
| | | 2 | | | | | 8 | |
| | | 7 | 2 | | | 6 | | |

### Solution-5058

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 5 | 9 | 1 | 8 | 6 | 7 | 2 | 4 |
| 2 | 8 | 6 | 3 | 7 | 4 | 9 | 1 | 5 |
| 4 | 7 | 1 | 9 | 5 | 2 | 6 | 3 | 8 |
| 1 | 9 | 5 | 6 | 4 | 7 | 3 | 8 | 2 |
| 8 | 4 | 3 | 2 | 9 | 1 | 5 | 6 | 7 |
| 6 | 2 | 7 | 5 | 3 | 8 | 1 | 4 | 9 |
| 7 | 3 | 2 | 4 | 1 | 9 | 8 | 5 | 6 |
| 9 | 1 | 4 | 8 | 6 | 5 | 2 | 7 | 3 |
| 5 | 6 | 8 | 7 | 2 | 3 | 4 | 9 | 1 |

## EMPLOYMENT NEWS

### SAI RECRUITMENT 2023 FOR 4 JUNIOR CONSULTANT, YOUNG PROFESSIONAL

Sports Authority of India Junior Consultant, Young Professional Recruitment 2023: Advertisement for the post of Junior Consultant, Young Professional in Sports Authority of India . Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 21 January 2023. Candidates can check the latest Sports Authority of India Recruitment 2023 Junior Consultant, Young Professional Vacancy 2023 details and apply online at the sportsauthorityofindia.nic.in/ recruitment 2023 page.

Sports Authority of India Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ sportsauthorityofindia.nic.in/. Sports Authority of India selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed in Manipur. More details of sportsauthorityofindia.nic.in/ recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.

Vacancy Circular No:
Sports Authority of India (SAI)
invites applications for recruitment of Junior Consultant, Young Professional
Junior Consultant, Young Professional
Experience 1 - 5 years
Educational Qualification: B.A
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 50000 - 80250(Per Month)
Age Limit: Maximum 45 Years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Junior Consultant, Young Professional in Sports Authority of India.
How to Apply:
Candidates who wish to apply for Sports Authority of India Recruitment 2023 must complete the application process before 21/01/2023. Here we have attached the complete procedure to apply for the Sports Authority of India Recruitment 2023 along with the application link.
Step 1: Go to the Sports Authority of India official website sportsauthorityofindia.nic.in
Step 2: In the official site, look out for Sports Authority of India Recruitment 2023 notification
Step 3: Select the respective post and make sure to read all the details about the Junior Consultant, Young Professional, qualifications, job location, and others
Step 4: Check the mode of application and apply for the Sports Authority of India Recruitment 2023
Important Dates:
Published on: 14 January 2023
Last date for application is: 21 January 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### ASSAM AGRICULTURAL UNIVERSITY RECRUITMENT 2023 FOR 44 COMPUTER OPERATOR, MORE VACANCIES

Assam Agricultural University Senior Scientist and Head, Junior Stenographer and Computer Operator, More Vacancies Recruitment 2023: Advertisement for the post of Senior Scientist and Head, Junior Stenographer and Computer Operator, More Vacancies in Assam Agricultural University. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 11 February 2023. Candidates can check the latest Assam Agricultural University Recruitment 2023 Senior Scientist and Head, Junior Stenographer and Computer Operator, More Vacancies Vacancy 2023 details and apply online at the www.aau.ac.in/ recruitment 2023 page.

Assam Agricultural University Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.aau.ac.in/. Assam Agricultural University selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of www.aau.ac.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.

Vacancy Circular No:
Assam Agricultural University (AAU)
invites applications for recruitment of Senior Scientist and Head, Junior Stenographer and Computer Operator, More Vacancies
Senior Scientist and Head, Junior Stenographer and Computer Operator,
Company Assam Agricultural University
Job Role Senior Scientist and Head, Junior Stenographer and Computer Operator, More Vacancies
Education Requirement Any Bachelors Degree
Total Vacancy 44 Posts
Job Locations Jorhat
Educational Qualification: Any Bachelors Degree
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 18000 - 131400(Per Month)
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Senior Scientist and Head, Junior Stenographer and Computer Operator, More Vacancies in Assam Agricultural University.
How to Apply:
Candidates must apply for Assam Agricultural University Recruitment 2023 before the last date announced. Candidates, who apply for the Assam Agricultural University Recruitment 2023, can follow the procedure given to apply.
Step 1: Visit the official website of Assam Agricultural University aau.ac.in
Step 2: Search the notification for Assam Agricultural University Recruitment 2023
Step 3: Clearly read all the details given on the notification
Step 4: Check the mode of application as per the official notification and proceed further
Important Dates:
Published on: 09 January 2023
Last date for application is: 11 February 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

